## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাং-পাং তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.639009 |
| US Dollar | 82.919952 |
| British Pound | 104.677039 |
| Australian Dollar | 54.341781 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.534578 |
| Japanese Yen | 0.552476 |
| Malaysian Ringgit | 17.295780 |
| Singapore Dollar | 61.707195 |
| South Korean Won | 0.062168 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.111987 |
| Thai Baht | 2.313475 |

## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 18/01/24**
VALID FROM 12/01/24
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO.
8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 9:AM TO 3PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-11-02-24
**B/upto - 15-02-24**
**Stock-612**
7am to 10am
First Come First serve

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - 24/01/2024 to 30/01/2024**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy-Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy-Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEIBAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
7628077876(enquiry)

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 28/01/2024
**BOOKING UPTO: 10/02/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-09-02-2024,**
VALID FROM 31-01-2024,
**STOCK : 918,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

# ইকনমিক ব্লোকেদনা সেনাপতিদা ত্রক ১৭০ ...

*লমায় ১গী মখা...* ১৬তা শকখণ্ডদবা খূৎলায় পায়বশিংনা সেনাপতিদগী দ্রাইভর অমা অমসুং হেল্পর দমেন অমা য়াওনা মীওই খরবু ফাজিল্লুবা থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফারগা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহল্লু হায়বসিনি। অদুবু এসোসিএসন অনীনা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়না পীখিবা মতম লোইরবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে হায়রদুনা হায়ৱে পরিং অসিদা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চত্থরকখিবনি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ব্লোকেদ অসিবু শৌগৎপা মীওই ২৫ রোম্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তর্ফো কুকি খুলদা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং ফাজিল্লগা থল্লি। লাইরৌদগীনা সেনাপতি ফাওবগী মরক্তনা গাড়ী ১৩৩ রোম পন্দুনা লৈরগা মাওদা ২৯ পল্লকখিবগী মথক্তা পেসেঞ্জর বস মরিনা লমখাংদা পন্দুনা লৈরি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ত্রক দ্রাইভর খরনা ফোঙদোরকপদা নুমিৎ মরিনি হেল্লক্লবা ফাওবদা ইম্ফাল য়ৌশিনবা ঙমদনা ত্রকশিং লম্বীদা পন্দুনা লৈরকপনা দ্রাইভর অমসুং হেল্দিমেনশিংদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। ঙা পুরকপা গাড়ীশিংদি ঙাশিং অদু পত্থ-পুমথবা হৌরক্লে হায়রি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা খোঙজং চঙশিল্লিবা এসোসিএসন অনীগগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা চত্থরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# শুগুনুগী লান অমুক হৌরকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী হন্দুনা খূৎ থোক্লখিদে।

অমরোমদা, কাংপোকপী অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লোন্নবদা লৈরিবা হরাওথেল চীংথক্তগী ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২.২০ অদুৱাইদগী অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তারকপা ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা সেঞ্জম চিরাংগী মনীং থংবা খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা অমুক হন্না লান তারকখ্রে।

থৌদোক অসিদা খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা কাপখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপনগী পাউ লৈখিদে।

সেঞ্জম চিরাংগী খুঞ্জাশিংনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং মতিক চানা দিপ্লোই তৌরবা ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ঙাইহাক লৈতনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লিবা অসি মরম চাদে হায়রদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। খুল ঙাকপশিংনা খূৎ হল্লবসু ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সকী মায়কৈদগীদি কুকি মিলিটেন্টশিংদা নোংমৈ মরূ অমত্তা কাপখিদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী লিগেল ফ্রেটর্নিটি ঙালহল্লম্বা জ্যুরিষ্ট ...

*লমায় ১গী মখা...* ঙসি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংদুনা এপেক্স কোর্ট অসিদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ জষ্টিসনা লৈখিদ্রবা জ্যুরিষ্ট ফালি এস নারিমান ইন্টলেকচুএল অমগী অচৌবা হিংচাবনি হায়না শীংথাখি। মহাক লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে হায়রদুনা মহাক খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা লিগেলগী ৱাখল চেনবা অমসুং ইন্টলেকচুএল অমনি হায়না শীংথাখি।

লৈবাক অসিগী সোলিসিটর জেনরেল টুসর মহেতানসু মহাক্না লৈখিদবদা লিগেল ফ্রেটর্নিটিগী ইন্টলেকচুএলশিংদা অৱাৎপা লৈহৌরগনি হায়খি।

লৈখিদ্রবা জ্যুরিষ্ট অসিগী লোয়নবী বাপসি নরিমানসু হৌখিবা কুমজা ২০২০দা লৈখিদ্রবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মচানুপা, সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা রোহিন্তোন ফালি নারিমান অমসুং মমৌনুপী সনায়া য়াওনা মচানুপী অনাহিতা লৈহৌরি। মহাক্কী হকচাংদা কার্দিএক ইস্যু মায়োক্নরকখিবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা লাইওংশিংনা মরম ওইদুনা ঙরাং অয়ূক লৈখিদবনি।

# মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী শিং...

*লমায় ১গী মখা...* পানবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিনা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা পেরা-১৭ (৩) দা পিটিসন অসিগী অহানবা পিটিস্নর (মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি) না মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক খন্নগদবনি অমসুং থবক অসি তপথদনা থেংলবদা কোর্টনা পীরিবা ওর্দর অসি ফংবগা চয়োল মরিগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি হায়খিবগা লোয়ননা পীরিবা ওর্দর অসিমক গৌহাটি হায় কোর্টনা মে ২৬, ২০০৩দা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪২৮১ ওফ ২০০২গী মতাংদা পীখিবা ওর্দর অদুগী পরিংদা পীবনি হায়বা দিরেক্সন য়াওখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চনা মার্চ ২৭, ২০২৩দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা ৱাফম অসি য়াওবদগী ওল মণিপুর ত্রাইবেল য়ুনিয়ন অমসুং অতোপ্পা মরিনা হায় কোর্টতা আপীল ফাইল তৌরকখি। মসিগী মথক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈনা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিবু শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্ট স্পেসল লিভ পিটিসন নম্বর ১৯২০৬ ওফ ২০২৩ ফাইল তৌরকখিবনি। এস এল পি অসি সুপ্রিম কোর্টতা পন্দুনা লৈরিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংনসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা য়াওরিবা পেরা-১৭ (৩) অদুগী মতাংদা মখা তানা চহী অমা শাংদোকহনবীনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ১২০ ওফ ২০২৩ ফাইল তৌরকপা লৈখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনসু এস এল পি অদু লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা মে ১৭, ২০২৩দা পীখিবা ওর্দরদা কনাগুম্বা পার্টিশিংনা দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা রিট আপীলগী ওর্দরদা য়ানীংদবা য়াওরবদি মসিগী মতাংদা শেমদোক শাদোক্লবগী হক এপেক্স কোর্ট অসিদা পীরে হায়দুনা খঙহনখিবনি।

লোয়ননা মার্চ ২৭, ২০২৩দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ‘ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র ভর্সেস মিলিন্দ এন্দ অদরস’ গী কেসতা পীখিবা জজমেন্ট অদুগা য়েংনরুবদা লোগী মীৎয়েংদা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চকী মায়োক্তা লৈবা ওইনা থোক্লে হায়বা ৱাফমসু এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।

মরমশিং অসিদগী মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী অকনবা থৌদাং লৌরকখিবা মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মমাঙগী কুমজা ২০২৩দা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ১২ ওফ ২০২৩ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অমুক হন্না ফাইল তৌরক্তুনা সিঙ্গল বেঞ্চনা মার্চ ২৭, ২০২৩দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী পেরা-১৭ (৩) রিভিয়ু তৌবীনবা হায়জরকখিবনি।

য়ুনিয়ন অসিগী রিভিয়ু পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লুনা লৌখৎতুনা খন্নরক্লগা দিসেম্বর ২১, ২০২৩দা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবনি। কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এম হেমচন্দ্র, এন জোতেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অজয় পেবম অমদি এম রেন্দিনা লেপখি। রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা স্পেসল ষ্টেট কাউন্সেল এম রারি অমসুং দি এস জি আই, কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফম তাবগা লোয়ননা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীগী ৱাফম তানবা হোৎনবদা মখোয় অনীগী মায়কৈদগীদি রিভিয়ু পিটিসন অসিগী মায়োক্তা মখা তানা কাউন্টর এফিদেভিট ফাইল তৌনবা শেম শাবা লৈতে অমসুং সবমিসনসু তৌনীংঙাই লৈতবগা লোয়ননা মরী লৈনবা মখোয়গী ওথোরিটিশিংদগী ইন্সত্রক্সন ফংদে হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মার্চ ২৭, ২০২৩দা কোর্ট অসিগী সিঙ্গল বেঞ্চনা মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২২৯ ওফ ২০২৩গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা য়াওখিবা পেরা-১৭ (৩) অদু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা পীখিবা ওবজার্ভেসনগী মায়োক্তা ওইরে হায়রদুনা ককথৎপা (দিলিট) তৌবদা অয়াবা পীরদুনা রিভিয়ু পিটিসন অসি দিস্পোজ তৌখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীবা জজমেন্টশিংগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহনবগী মতাংদা লেন্দ মার্ক জজমেন্টনি হায়বা য়ারবা ওর্দর অসি ঙসি জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লুগী বেঞ্চনা ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মার্চ ২৭, ২০২৩দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা য়াওখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২২৯ ওফ ২০২৩গী অহানবা রেস্পোন্দেন্ট ওইখিবা ষ্টেটকী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরিনা মিনিষ্ট্রিনা মে ২৯, ২০১৩দা পীরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না রেকমেন্দসন পীগদবনি হায়খিবা জজমেন্টগী শরুক অসিদি লেঙদনা লৈরি।

# ঈ-সর্ভিসতা মণিপুরনা খ্বাইদগী মমৈদা...

*লমায় ১গী মখা...*জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওফিসলশিংনা মণিপুরগী ওফিসলশিংদা রেভন্যু, হোম, ইন্দষ্ট্রি এন্দ কম্মর্স, সোসল ৱেলফ্যের, পি দব্লিয়ু দি অমসুং পি ঐচ ঈ দি য়াওনা লোয়শঙশিংদা ওনলাইন সর্ভিস পোর্টফোলিও হেনগৎহন্দুনা অহানবা ফেজদা ঈ-সর্ভিস ৩৫দগী ১৫০ য়ৌহন্নবা পাউতাক পীরকখ্রে হায়রি।

# চৈরাপ কোর্টতা আর এ এফনা মী ফূথখিবা...

*লমায় ১গী মখা...* কোর্ট কমপ্লেক্সকী গেট ময়াদা উকিলশিংনা মশাগী শিন্থা লেপ্তুনা য়ানীংদবা খোল্লাওশিংগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম চত্থদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি মৈস্নাম জোনি মীতৈনা পাউমীশিংদা হায়, চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদা লো লৈত্রে। ৱায়েলশঙদা রেপিদ এক্সন ফোর্সনা ঙরাং চত্থখিবা থৌওং অদু মালেমগী কোর্ট অমত্তদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্নি। কোর্ট কমপ্লেক্স অসিবু আর এ এফনা ঙাকহন্নবগীদমক কনানা কৌবনো হংলদুনা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা থিদোক্কদবনি হায়খি।

পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ৱা ঙাঙবা অদুগা নাকল অমদা অমুক তোংশিন, নাকল অমদা অমুক তোংশিন তৌবগী থৌওং তোকপীরো। হৌজিক মীয়াম য়াম্না ৱানরবনি । মরম অসিনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্লবা থোকপীরক্লো। কোর্ট কমপ্লেক্সতা নুপীশিংবু ওৎ নৈবা, ইলেক্ট্রিক ষ্টিক শীজিন্নদুনা অমসুং মোক বোম কাপশিন্দুনা ফূ-চৈবগী থৌওং চত্থবা হায়বসি পুৱারীগী মশক থিহনবনি হায়খি।

চৈরাপ কোর্ট অসি মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা পূন্দ্রিঙৈ অমসুং ইনিদয়াগী কন্সটিট্যুসন লৈত্রিঙৈ অদুগা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবা লিংদ্রিঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী চৈরাপ কোর্টনি। অসিগুম্বা কোর্টকী কেম্পস অসিগী সেঙ্কটিটি থুগাইরগা মালেমদা চৎনদবা থৌওংশিং ঙরাং চত্থখিবা অদুনা উকিলশিংবু ইকায়বা পীরে। উকিলশিংদা ফাওবা ফূরকপদগী অম্বাগী জোইন্ট সেক্রেটরি শোকখি। মহাক কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদা চত্থরকপা থৌওংশিং অদু খামদোক্লবা হোৎনরুবদা শোকপনি। থৌওং অসি উকিলশিং অমসুং অম্বানা অৱাংবা থাক্তা য়ানীংদে। সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈতনবা হান্না থৌরাং লৌখৎকদবনি। ঙসিগী খোঙজং অসি অম্বানা হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগা খূৎশম্নদুনা চঙশিনবনি অমসুং ঙসি নোংমগী কোর্টকী শিন্থা লেপ্নরগা শরুক য়ানরিবনি হায়খি।

মরম অসিনা ঙরাং থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস অমনা লুচিংবা ইনক্কারি টিম্না থিজিন্দুনা অচুম অরান পুথোকপীয়ু। হৌজিক ঐখোয় হিংলিব্রা-চঙলিব্রা হায়বা উবা ফংদ্রে। কোর্টতা ফাওবা ফীভম অসি য়ৌশিল্লক্লবদি লৈঙাকপশিংনা ঐখোয়বু খাঙেনফমদা থম্বনি। ফীভম অসি লুশিল্লক্লে। মশা মশাগী য়ুম মৈ চাক্লবা মতমদা মণিপুর কনগনি হায়দুনা চোঙথোরক্কদৌরিব্রা হংখি।

ঙরাংগী তৌহৈদ্রবা থৌওংশিং অদুনা ৱায়েলশঙবু মাঙথোকপীরে। কোর্ট কেম্পস মনুংদবু মোক বোম কাপশিনবা য়াব্রা হংলদুনা ষ্টেট ফোর্সনা তৌগদবা মথৌ তৌবগী মহুত্তা আর এ এফ থাজিল্লগা য়েংদুনা লৈখিবা করিগীনো হংলদুনা ঙরাংগী থৌদোকশিং অদু কনানা থোকহনবনো হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ঙসি অয়ূক অম্বাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসুং হায় কোর্ট বার এসোসিএসন মণিপুরগী অপূনবা ইমর্জেন্সি মীফম অমা অয়ূক পুং ৯ তারকপদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ তরুক লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা চয়োল অমগী মনুংদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী তেকচাক পুগদবা মীওই খঙদোক্লবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস অমনা লুচিংবা ইনক্কারি কম্মিটিনা থিগৎহনগদবনি। ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি মখা তানা চঙশিনগদবা খোঙজংশিং লেপথোক্লগনি হায়বা য়াওরি।

# ইশাগী চহী ৭৫ শুজিল্লক্তুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* মতুংদগীদি খঙহৌদনা চুড়াচান্দপুরদা মী খংয়াম য়ামখৎলক্তুনা লৌ উফম লৈরকখিদে। সিনেমা হোলদা নুমিদাং সিনেমা য়েংবা চৎপা ঙম্নখিদে। লল্লোন ইতিক তৌবগী কোইচৎ চৎপা ফাওবা ঙমখিদে। মমাঙঙৈদদি চীংদা শীং য়ান্দুনা য়োল্লন্লিবনি অদুবু হৌজিক্তি চীংদা চৎপা কিরে। কৈথেলদা ইথন্তা চৎপা ফাওবা ঙমদ্রে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক নম্বর ফোর চাবা-কাপ্পশিংনা লম্বী সড়ক্তা ফোঙনা লৈরক্লে। মতম অমদদি চুড়াচান্দপুরদা য়ু ফাওবা মরাং কায়না ফংলমদবনি।

চুড়াচান্দপুরগী থিংকাংফাই অসিদা পালুন নিংথৌগী চীং অমা লৈরম্মী। মদুদা অঙ্গংবা কৌবা চীংগী ফূরুপ অমনা শেমজবা চফুদা হাপ্পা য়ু খক্তমক ফংলম্মী। য়ুশিং অদু মীতৈশিংনদি থক্তে অদুবু চহী খরগী মতুংদগীদি য়ু মরাং কায়না ফংলকপদগী মীতৈশিংসু য়ু থকপা হেনগৎলকখি। চুড়াচান্দপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবগী চাং য়াম্না ৱাংলকখি। মী অমগা অমগা উশিৎনদবা অমসুং তাথী-তাওইনা চৈনবগী থৌদোক হেনগৎলকখি।

মরম পূন্নমকশিং অসিনা লৈঙাক্তা হায়নীংলিবদি মীয়ামগী মপী-মপা অমা ওইনা শোঞ্জিল্লক্লবা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ঙমহনবীয়ু। ককঙাওনরিবা মীয়াম অসিগীদমক লান অসি লেপহন্দুনা তংদু লৈতানা হিংহনবীয়ু হায়রকখি।

# মনা পঙলিবা প্রাইম মিনিষ্টর মীকপ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়, হয়েং অয়ূক্তগী দেল্লীদা চঙশিনগদৌরিবা চরা হেনবগী খোঙজং অসি ত্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট মালেম থোঙাম্না লুচিংগনি। খোঙজং অসিদা দেল্লী মৈতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সী সী) গা অমত্তা ওইনা পূন্না চঙশিনমিন্নবা থৌরাং লোইরে হায়রি।

খোঙজং অসিদসু করিগুম্বা তূমিন্না অসুম লৈথোরকপা তারবদি দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্কী মীংচৎ ময়েং তাবা থবক থৌরমশিং চঙশিল্লকপা য়াই। খোঙজং অসিদা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈবীরিবা ইরৈচা পূন্নমক্লসু অমত্তা ওইনা শৌগৎপীয়ু হায়রি।

**তাহৌরে**

হৌখিবা তাং ১৮/২/২০২৪দা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল বোর্দনা পীবা Women Vendor Licence No. 368/1 Singjamei Bazar অসি ঐগী য়ূমদগী লংথবাল ফাও চৎপগী লম্বীদা তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীবা য়াওরবদি পাউ পীবিরকউ। তৌবিমল খঙবা উৎচগনি।

**হায়জরিবী :- নাওরেম য়াইমা দেবী**
**হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়, ৭০০৫০৪২১৯৪**
HL-P/9683/22,23,24

**OFFICE OF THE**
**PAKHANGBA FINANCIAL SERVICE**
**SAGOLBAND KHAMNAM LEIRAK**
Regd no :- 159/M/BML/2016
DATED :- 20/7/2016

**Job Vacancy**

| Sl. No. | Post Name | No. of Post | Pay |
|---|---|---|---|
| 1. | Recovery Staff | 1 (Male) | Negotiable |

Preferable from Imphal West District

**Sd/- General Manager**
Pakhangba Financial Service
# 9366660244, 8787820836
HL-P/9690/22

**পাউজেঞ্জবা**


চৎলিবা চৈচৎ ২৪/০২/২০২৪ কুমজা ফাইরেলগী ১৫নি পানবা (পূর্ণিমা), থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা ককচীং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা হন্দক্তা নৌনা শাজবা “ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবা” গী শঙলেন শঙ্গাবা থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।



নুমিৎ অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা থৌরম অসিবু মপুং ফাহনবীনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

**পাউজেঞ্জরিবা :- ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবা লাই কম্মিটি, ককচীং**
HL-P/9684/22

**S.I. ACADEMY**
NONGMEIBUNG POROMPAT CHUTHEK, IMPHAL EAST
**!!! WANTED TEACHERS !!!**
SUBJECT : 1. THANG TA 2. RHYMES 3. SPOKEN ENGLISH
HL-P/9687/22 **WALK IN INTERVIEW** **TIME : 9 AM TO 12.30 PM**



HL-P-9642/18-29/1-18march



HL-B/8348/2,4,6,8,10



HL-B/8555/16